**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-06-2025)**

**অরাম্বাই(এল) ঃ** অরাম্বাই তেঙ্গোলনা চখুরকখিবা নুমিৎ ১০ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক অদু ঙসিদগী হন্দোকখ্রে। অদুমওইনমক, গনন্ত্রিক ওইবা খোঙজংদি মখা তানা চখুখিগনি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্টকী মফম অমদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা জেনরেল ষ্ট্রাইক হন্দোকপগী মরম পীরদুনা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী পি.আর.ও রোবিন মঙাংনা হায়-অরাম্বাই তেঙ্গোলনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মশাগী ওইজবা থিবা মীওই খরনা লুপ অসিবু মীংচৎ থিহন্নবা হোৎনরে। মখোয়না অরাম্বা তোঙ্গোনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিবু লান্না উহন্নবা মীচম মীয়ামগী গাড়ি মৈ থাবা, লন-থুম মাঙ-তাকহনবা, লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়াদা অয়েৎ-অপন পীরকপা কয়া অসিনা মরম ওইরগা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি কোমথোকখিবনি। লোয়ননা মনিপুরগী ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা হৌজিক মীয়ামনা অৱাবা চৈথেং কয়া খাঙলি। মসিদসু নত্তনা নোংমগী চরা তাল্লিবা মীওইশিংদসু জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিনা অৱাবা কয়া পীরিবা অসিগী য়েংলগা ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

মহাকা হায়-জেনরেল ষ্ট্রাইক কোমথোক্লবসু ফাজিনখিবা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী সেনিয়ার লিদর অসিবু থাদোক্ত্রিবা ফাওবদি গনতন্ত্রিক ওইবা মওংদা মখা তানা অরাম্বাই তেঙ্গোলনা লেপ্তুনা খোঙজং চংশিনখিগনি। অরাম্বাই তোঙ্গোলনা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং হন্দোক্লে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বীশিংদা বন্দ শৌগৎপশিংনা উ-ৱা ফৈজিনবা অমদি টয়ার মৈ থাবনচিংবগী পৈশিনদুনা লৈরম্বা অমোৎ অকায়শিং লম্বী চৎপা নুংঙাইনবা রাজ্য পুলিসকী কাংবুনা শেংদোকখি।

**এটি(এল) ঃ** অরাম্বাই তোঙ্গোলগী সেনিয়ার লিদর-অশেম কানন্দ ফাখিবগী মতাংদা মহাক্কী লোয়নবীনা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরদা থাখিবা ক্রিমিনেল পিটিসন অমগী মতাংদা কোর্টনা হিয়ারিং চখ্খ্রে। মথং থাগী ৮ ফাওবদা মরী লৈনবশিংনা অইবা চেরোল কোর্টতা পীখৎলকবা খঙহনখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মনিপুরদা ঙসি চখ্খিবা হিয়ারিং অদুদা সি.বি.আইগী কাউন্সেলনা অশেম কানন্দগী লোয়নবীনা মহাক্কী মপুরোইবগা গুৱাহাতিদা ঙরাং উন্নখ্রে। লোয়ননা রাজ্য সরকারগী কাউন্সেলনা কানন্দ হায়রিবা অসি মমাংদা সি.বি.আইদা রেজিস্ত্রার তৌবা কেস অমগা মরী লৈননিদি হায়বা ৱাফম থমখি। তুংদা, কোর্টনা নাকল অনিমক্কী ৱা তারবা মতুংদা মথং থাগী ৮ ফাওবদা কোর্ট অসিদা মখোয় মখোয়গী পাউখুমশিং পীরকবা খঙহনখিবনি।

**কার্ফিয়ু(এল) ঃ** মনিপুরগী তম্পাক্কী জিলা মঙা-ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিং জিলাদা থম্লম্বা কার্ফিয়ু নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কোমথোক্লে।

হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম চেরোলশিং থোকখ্রে। অরাম্বাই তেঙ্গোলগী থৌমীশিং ফাখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা চংশিল্লকখিবা মীয়ামগী ইহৌনা রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভমদা চাউনা অকায়বা থোরকপদগী জিলাশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা থা অসিগী তরেৎতগী ভারত্তিয়া নাগরিক সুরক্সা সংহিত্য-২০২৩ গী সেক্সন ১৬৩ গী মখাদা মতম কক্তুনা কার্ফিয়ু থমখিবনি।

**কোবিদ(এল) ঃ** মনিপুরদা নৌনা কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা মীওই অমা থেংনরে।

রাজ্যগী হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: চম্বো গোলমৈনা অকাশবানি

ইম্ফালদা হায়- কোবিদ পোজিটিব ওইরবী নুপীমচা অদু বিষ্ণুপুর জিলাদগীনি। হৌজিকা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ঘরিদা লৈবনি। মহাক মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোইনি। মহাক মনিপুরগী মপানদা চৎলুবা লৈতে। মহাকা হায়- হৌখিবা থা অসিগী মঙাদা লাইহৌ হৌবা য়াওনা লোক থুংবগী লায়ওং থেংনরকপদগী ইম্ফালগী পোরোম্পাৎতা লৈবা বাবিনা দাইগোষ্টিক্তা টেষ্ট তৌখি। লোয়ননা থা অসিগী ৮ দা কোবিদ পোজিটিব ওইরে হায়বা খঙখিবনি। মসিগী মতুংদা হকশেল বিভাগনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা পোজিটিব ওইরবী নুপীমচা অদুগী লৈফমদা চৎলুবদা মহাক হায়দ্রবাদতা চৎখ্রে হায়না লৈরমদ্রে।

ডা: চম্বোনা মখা তানা হায়-হকশেল বিভাগকী মায়কৈদগী কোবিদ নাইন্তিন থেংননবা মখা তানা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলে। মসিদা মীয়ামা য়াম া থোইনা মীপায়নিংঙাই লৈতে। অদুমওইনমক, মীয়ামসু লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা তঙাইফদনা ঙাকা চৎকদবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাকা চৎপীয়ু। নুপীমচা অসিনা লৈরম্বা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফমশিংদা হৌজিক মরি মখোঙ থিগৎপগী থবক চথুরি।

**বিরেন(এল) ঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি. সনাজাউবগা লোয়ননা ঙসি দিল্লিদা উন্নদুনা মনিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা খন্নখ্রে।

ঙসি নোংঙাল্লমাইদাই পুং অমা মখায়রোম তারকপদা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ৱারী শান্নরবা মতুং ঙসি নুংথিল পুং অহুম মিনিট ১৫ দগী পুং ৪ মখায় ফাওবা মখা তানা ৱারী শান্নখি। অদুমওইনমক, মখোয়না ৱারী শান্নবা অদুদা করি করি ৱাফমশিং খন্নখিবগে হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। শ্রী বিরেন অমসুং সনাজাউবা লৈশেম্বা হয়েং ইম্ফালদা হল্লক্লবা য়াই হায়রি।

**সোমরেন্দ্রো ঃ** ২৫ শুবা অরান্বম সোমরেন্দ্রো মারট্যেরদম নীংশিং কুমওন ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই নান্দৈবম লৈকাইদা লৈবা মহাক্কী মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

সোসিএল ষ্টেন্দরদ ক্লব অমদি অরান্বম সোমরেন্দ্রো ত্রষ্ট অনিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মশক নাইরবা লুচিংবা কয়া য়াওনা মীয়ামা অরান্বম সোমরেন্দ্রোগী মীতমদা লৈ শু কৎতুনা অমদি মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্পুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**স্পেচ ঃ** ভারতকী এষ্ট্রেনোথ শুবানসু শুক্লা য়াওনা মীওই মরিনা শাবা একজোম ফোর স্পেচ মিসন ঙসি থাগৎকনি হায়না তৌরম্বা অদু নোং চীংগী ফিভম ফত্তবনা য়িথোক্লে। মিসন অসি হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ মিনত ৩০ তাবা মতমদা য়ু.এস.এগী কেনেদি স্পেচ সেন্তরদগী থাগৎলগনি। শুবানসু শুক্লানা মিসন অসিগী পাইলোত ওইরি। মিসন অসিদা আমেরিকা, পোলেন্দ অমসুং হেঙ্গেরিগী এষ্ট্রোনোথ অমমম য়াওরি।

একজোম স্পেচ মিসন অসিদা এষ্ট্রোনোথ মরি অসি ইন্তরনেসনেল স্পেচ ষ্টেসনদা নুমিৎ ১৪ নি লো আর্থ ওর্বিৎতা লৈগনি। মখোয়না ইসরোগী তোঙান তোঙানবা রিছার্স প্রোজেক্ট য়াওনা মীওইবগী হকশেল, পৃথিবীগী মরমদা থিজিন হুমজিনবা য়াওনা অতৈ হিরম কয়াদা লৈবাক ৩১ গী ওইবা থিজিন হুমজিনবগী থবক চত্থগনি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্স অমসুং উত্তর প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রিনা গ্রুপ কেপটেন-সুভানসু সুক্লাগীদমক য়াইফ মাঙ্গোল পীখ্রে। চীফ ওফ দ ইয়ার ষ্টাফ অমসুং ইয়ার ৱারিয়ার পুমমকা পীবা য়াইফ পাউজেলনা হায়-একজোম ফোর ক্রু মেম্বর পুমমক অশোয় অঙাম য়াওদনা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদা য়ৌবা ওইরসনু। খোঙচৎ অসিনা ভারতকী স্পেসকী ইতিহাসতা অনৌবা তাঙ্কক অমা ওইরগনি।

উত্তর প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথনা পীবা পাউজেলদা হায়- সুভানশুনা মীসন অসিগী গ্রুপ কেপটেন ওইরিবা অসি ঐখোয় পুমমক্কী চাউথোকচনিংঙাইনি। সূভানসুনা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদা চৎপা অহানবা ভারত মচা ওইরগনি।

**মোদি ঃ** কেন্দ্রদা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার লৈরকপা চহি ১১ মপুং ফারকপদা নরেন্দ্র মোদি এপ নৎত্রগা নামো এপতা হৌদোকখিবা জন-মন সর্ভে অসি নাগরিকশিংনা থৰায় য়াওনা শরুক য়ারি।

প্রধান মন্ত্রিনা জন মন সর্ভেনা লৈবাক অসিদা মায় পাকপা ওইরকপা অসিদা নুংঙাইবা ফোংদোকপগা লোয়ননা ঙরাং নাগরিকশিংদা নামো এপতা চথুরিবা সর্ভে অসিদা শরুক য়াবীদুনা হৌখিবা চহি ১১ অসিদা সরকার অসিনা পায়খৎলিবা চাডখৎ থৌরাংশিং অসিগী মতাংদা খঙননবা আপিলসু তৌখি। জন মন সর্ভেগী খুথাংদা নাগরিকশিংনা মখোয় মখোয়গী অপাম্বা মোত অমদি সরকার অসিনা পায়খৎহন্নিংবা থবক থৌমরশিংগী ৰাফমশিং ফোংদোকবগী তঞ্জা অমসু পীরি। সর্ভে অসিগী অহানবা নুমিৎতা নাগরিক লাখ ৫ হেনবনা মখোয় মখোয়গী অনিংবা অপাম্বশিং ফোংদোকরকখ্রে।

**বিরলা ঃ** লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়রি- লৈবাক অসিগী নহাশিংগী শক্তি অমদি টেকোলোজিনা তোঙান তোঙানবা শিংনবশিং মায়ওং য়াবদা ভারতনা মাঙলোমদা চংশিল্লি।

আই.আই.টি জোধপুরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী বিরলানা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা লৈবাক অসিগী নহাশিংনা লৌরিবা থৌদাংবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি। লৈবাক অসিবু মাঙলোমদা চংশিন্নবা হোৎনবদা নহাশিংনা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদসু পল্লদুনা শ্রী বিরলানা হায়- নহাশিংনা টেকে ালোজিগী পাম্বৈ কয়া শিজিন্নদুনা ভারতপু হেন্না চাওখৎহন্নবগী লম্বীদা মখা তানা

চংশিনগদবনি। মহাকা হায়- ভারতকী নহাশিং অসিনা থবক থিবগী মহুৎতা থবক পীবারোমদা মায় ওনশিল্লক্লি। মসি মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা আই.আই.টিশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

**নিরমালা ঃ** নেসনেল ইনভেষ্টমেন্ট এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফন্দ লিমিতেদ (এন.আই.আই.এফ)কী ৬ শুবা গভর্নিং কাউন্সিলগী মীফম কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না সভাপতি ওইদুনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা শেল থুম মন্ত্রি অমদি গভর্নিং কাউন্সিলগী মীহুৎশিংনা এন.আই.আই.এফকী থবক থৌরমশিং অমসুং হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ফন্দ অমদি মরুওইবা গাইদলাইনশিংগী মতাংদা গভর্নিং কাউন্সিলনা খন্নখি। মীফম অদুনা এন.আই.আই.এফকী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমদি তুংদা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিং য়াওনা অতৈ মরী লৈনবা হিরম কয়াদসু খন্ন-নৈনখি।

**ধরমেন্দ্রঃ** কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধাননা হায়রি-লৈবাক অসিদা লৈরিবা খ্বাইদগী শোত্থরবা কাংলুপকী মীওইশিংদা শক্তী পীনবা অমদি য়াইফনবগীদমক সাইন্তিস, ইন্নোভেতরস অমসুং আইন শেল্লিবা মীওইশিং পুনশিন্নবগী মতম ওইরে। ব্রাফম অসি হাইদ্রাবাদতা পাঙথোকপা ইন্তরনেসনেল কনফরেন্স ওফ য়ং সাইন্তিস অমসুং গ্লোবেল য়ং একাদেমিগী চহীগী মীফমদা শ্রী ধরমেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবনি। মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-ভারতনা মালেমগী ওইবা তোঙান তোঙানবা সমস্যাশিং লোইশিন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌরি। ভারতনা য়ু.এনদা লাইফকী মন্ত্র পীবা অমসুং সোলর এলাইয়েন্স শেমগত্তুনা মহৌশাগী খল কাইদনা তুংগী মীরোলশিংগীদমকসু খল্লগা খোঙথাং কয়া পায়খৎলি।

**করাতে ঃ** ধেরাদুনদা পাঙথোক্কদৌরিবা কে.আই.ও. নেসনেল করাতে চেম্পিয়নসপতা মনিপুরদগী মীওই ২৪ না শাবা কাংবুনা শরুক য়ারগনি।

সব-জ্নিয়ার কেদেদ অমদি জ্নিয়ার কেটেগোরিদা শরুক য়াগদৌরিবা টিম অসি কোর্চ-সোইবম চন্দ্রিমা, সোরাম চিংলেন লুৱাংনা লুচিংগনি। চেম্পিয়নসিপ অসি থা অসিগী ১২ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবনি।

**ফুটবোল ঃ** এসিয়ান ফ্টবোল কনফিদরেসন (এ.এফ.সি) এসিয়ান কপ ২০২৭ কী ক্বালিফায়িং মেটচ অমদা ঙসি হোং কোংগী কাইতাক ষ্টেদিয়মদা ভারত অমসুং হোং কোং থেংনরগনি। মেটচ অসি নুমিদাং পুং ৭ মখায়দগী হৌগনি। পানবা য়াবদি, ঙসি হোং কোংগা শান্নগদবা মেটচ অসিগী ভারতকী টিমদা মণিপুরগী শান্নরোই ৭ য়াওরি। ক্বালিফায়িং রাউন্দ অসি গ্রুপ-সিদা বঙ্গলাদেশ, হোং কোং, ভারত অমসুং সিঙ্গাপুর য়াওরি।

ভারত অমদি হোং কোংনা ১৯৫১ দা অহানবা ওইনা লম্বা থেংনখ্রবা মতুং ঙসি শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিনা ২৫ রক শুবা ওইরি। ভারতনা হেদ টু হেদকী রেকোর্দতা মেটচ ৯ মায় পাকখি, হোং কোংনা মেটচ ৮ মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ ৭ অমনা দ্রো চৎখি।

**ধোনি ঃ** ইন্তরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা চহি অসিগী ওইনা আই.সি.সি হোল ওফ ফেনদা চন্নবা ক্রিকেট শান্নরোই ৭ খনগৎপদা ভারতকী হান্নগী কেপ্তেন অমসুং ৱিকেট কিপ্পর মহেন্দ্র সিংহ ধোনিসু য়াওরে।

ইং ২০২০ দগী ইন্তরনেসনেল ক্রিকেটতগী পোত্থারবা এম.এস. ধোনিনা ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা ক্রিকেটকী তোঙান তোঙানবা ফোর্মেটতা শিন্নখিবা মেটচ ৫৩৮ দা রন লিশিং ১৭ হেন্না লৌখি অমদি ৱিকেট ৮২৯ সু লৌখি। ধোনিনা লুচিংবা ভারতকী ক্রিকেট টিমনা ইং ২০০৭ তা পাঙথোকখিবা টি-ত্বেন্তি ৱার্ল্ড কপ, ২০১১ দা ও.দি.আই ৱার্ল্ড কপ অমসুং ২০১৩ দা চেম্পিয়ন্স ত্রোফি লৌবা ঙমখি। চহি অসিগী আই.সি.সি. হোল ওফ ফেনগী খনগৎলবা শান্নরোইশিংগী মরক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেথিউ হেদেন অমসুং সাউথ আফ্রিকা হাসিম

অমলা য়াওরি।